# মণিপুরদবু টুরিজম ?

'লম-কোয়বা' - ইশাগী ইয়ূম-লমদমসিগী ৱাংমদা, মীগী লমদা চৎলুবগী থবকসি, ঐদি অঙাং ওইরিঙৈদগী পামজবা থবক অমদি ওইরকখিবনি। ইপানা নৎত্রগা ইমানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী, মফম অমদগী অমদা ট্রান্সফরেবল ওইবা থবক অমা তৌরমদবনা, সহর অমদগী অমদা হোং-হোংদুনা খুন্দাবগী পুন্সি মহিং অদুমদি ঐ হিংবা তৌরকখিদে। অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী 'অসাম-ব্যাপার-চৎপা' হায়না খঙনবা হিংনবগী শিনফম ওইবা থবক্তু ইপাগী শিনফম ওইরকপনা অসামগী মনুং হঞ্জিনবা খুল খরা অমদি দিমাপুর সহরদদি অঙাং ওইরিঙৈ 'ববা' না পুদুনা মরক-মরক্তা য়েংহল্লকখি। তোকপম ইবোমচাগী 'মঙলৈবাক' হায়বা লাইরিক্তুনা নাগালেন্দগী মনুং হঞ্জিনবা চীংগী খুনশিংদা খুন্দারিবা মীশিংগী পুন্সি-মশক তাকখিবা অমদি শরৎ-চন্দ্র, বংকিম-চন্দ্র অনীনা বেঙ্গলগী পুন্সি মশক উহনখিবা অদুনসু শকখঙদবশিংগী লমদুদা চৎনীংবগী ইথিল অমদি পীখিবা মাল্লি। অদুবু চৎপদি ঙস্লকখিদে - লম-চৎপা (কোয়বা) হায়বসি খূত্তা শেল পায়দ্রবদি ওইথোকপা য়াবা থবক অমা নত্তবনা। উত্তর-প্রদেশ'তা এগ্রিকলচরেল-সাইন্স তম্বগী চহী খরা লৈরকখিবদুনা অহানবা ওইনা মীগী মীরমদা চত্তুনা মান্নদবা পুন্সি-মহিং হকথেংননা য়েংবগী তাঞ্জা'দুমদি ফংহনখি। অদুবু, লম কোয়বা হায়বদুগী অশেংবা এক্সপরিয়েন্স'তুদি নৎখিদে।

গ্রেজুয়েট হায়বদু ওইরব'তুং, হিংনবগী শিনফম ওইনা য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী থবক অমা পায়রবা মতুংদা, চহী মরি-মরি খুদিংগী ইমুং-মনুংগী মী পুদুনা লম কোয়বগী পীবা খুদোংচাবা অদুনা ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা টুরিষ্ট সেন্টর খরদা কোয়বা ফংহল্লকখি। চহী কুন্থ্রা সর্ভিস তৌরিঙৈ, চহী মরি-মরি খুদিংগী ফংবা খুদোংচাবদু অমুক্তসু মাঙহল্লকখিদে। মরক-মরক ঐনা, ঐগী অঙাং মমাদা ফাগি তৌই ... 'ঐনা নঙগীদমক নঙকশমদা অমদি নাপদুদা সনাগী লৈতেং থোনবীবমক ঙমদ্রবসু ঐগী নুপী ওইরুবগী লৈকায়সিগী মরাইবক খ্বাইদই ফবী মৌদি নঙনি হায়না ঙাঙনরিবনি, নঙ খঙদ্রা' ...? থিন্দনা খুল্লকই, 'হরে...! নঙগী নুপী ওইরুবসি করিদা লাইবক ফরিবা'? ঐনা নাপদা লোন্না হায়, 'ইনাক খুনবই মৌশিংসে চাকখুমদই হেন্দবী কয়ানি, ত্রেন মশক উদনা শিখিদৌবনা অয়াম্বনি, নঙদি ইন্দিয়া টুর তৌবা লোইশিল্লক্লবনি, মখোয়না মপোকসিদা ফংলরোইদবা'...। অহেনবা শেল লৈতবগী ফোরেন লৈবাকশিংদুদা পুরুবদি ঙমদেকো, মদুমদি হায়জহৌগে। করিগুম্বা থৌ অমগী হোং-কোং, চাইনা, ফিল্লিপাইন্স য়ৌরুরে হায়দুনা টুরিষ্ট ওইনা ফোরেন লৈবাক চৎলুরে হায়বদুদি য়ারোই। থওইনা অচৌবা শেনফম অমা তূংশিন্দুনা কাইথোক্লগা মালেমগী মফম খরদা কোয়রুরগে/চৎলুরগে খন্না য়ূমদগী থোকপা ঙম্বা 'টুরিষ্ট' অমা হায়বদুদি ওইবা ঙমদ্রি ঐ। আগ্রাগী টাজ মহলদি হৌখিবা চহী নিফুমঙা-তরুক্কী মনুংসিদা তোঙন তোঙানবা মতমদা তরারকতই তাদনা চৎলুরে। অকোয়বগী শক্তমনা লেঙদ্রবা ফুরা অদুদা হোংহল্লকপা শক্তমদুদি উরুরে। অদুবু চাইনাগী 'গ্রেট-ৱাল', পেরিসকী 'আইফেল টাৱর', পিসাগী 'লিনিং টাৱর', ইজিপ্টকী 'পিরামিদ', বেবিলোনগী 'হেঙ্গিং গার্দেন' ... পিকচর ওইনা উবতনি হকথেংননা চত্তুনা মফমদুগী মীশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবই এক্সপরিয়েন্স'তুদি, মাঙগী লম্বী তেল্লক্লবা, তুংগী লম্বী শাংহৌরবা পুন্সি-খোঙচৎ অসিদদি ফংনি হায়বা থাজদ্রে। বাইকাল লেক (পাৎ) তা চত্তুনা ঈপাক্তুদা শান্ননীংবই অপাম্বা ফোঙদোক্লুবদা মরুপ অমনা নোংমা হায়রকখিবদু নীংশিংলি...'কান্নদে মরুপ! বাইকাল লেক ময়াদা খুন্দারিবা মীশিংদুসু ঐখোয়গী লোক্তাক পাৎ'তা লৈরিবা অতাওবা ফুম মথক্তা শারিবা খাংপোকশঙ মনুংদা অহিং অমা লেক্তুনা মফমদুদই ফাবা-ঙা থোংলগা/ঙৌরগা চাবগী নুংঙাইবা অদু মপোক কয়াদসু ফংলরোইদবনি'...। মাগীদুসু অতোপ্পা অর্গ্যুমেন্ট অমনি। অদুগা নোংমসু খনখি ইথন্তা ... 'হিন্দি ফিল্ম কয়াদা উখিবা কাশ্মীরগী দাল-লেক মথক্তা হীরো-হীরোইন ফম্মীন্নদুনা তোংবা নীংথিবা-লৈনা-লৈতেংবা হিনাউ অমদি হীথক্তা-শাবা-য়ূম (হাওজ বোট) মনুংদা ষ্টার-হোটেলগুম নান্না শেম-শারবা কাশিং অদুগুম লোক্তাক পাৎ'তা শেমগৎপগী ৱাখলদি মণিপুরগী টুরিজম-মিনিষ্টর অমত্তগী কোক্তুদা ঙসি ফাওবা মমি তম্লমখিরোই'...।

ৱাখল-ঈরোন্নুংসিদা লূপখ্রবা, অকাউবগী লৈরোল কয়ানা ননশিনখ্রবা নীংশিং শক্তম কয়া ঙসি মথং মথং ঈমায়থক্তা তাওখৎহল্লকই হুইদ্রোম দিলিপ কুমারগী লাইরিক 'সষ্টেনেবল প্লান্নিং ওফ টুরিজম ইন্দষ্ট্রি'না। খল্লরোই খন্না খনখিদ্রবা ৱাখল কয়া নৌনা অমুক য়েন্নীং-হুন'গুম ময়োল চোংলক্লে। লাইরিকসিগী লামায় ১৫১দগী ২৫৫ ফাওবা (পন্দুপ তরা অমদি তরামাথোই), শাংলবা লামায় চামগা মরিদু, মণিপুরখক্কী টুরিজম স্কোপ অমদি পোটেন্সিঅল পুথোক্তুনা নৈনরি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা লমকোয়-মীশিংনা মিতানফম ওইবা মফমশিং, ফোটোগ্রাফশিংগা লোয়ননা অপাবশিংবু খঙহন্নবা হোৎনৈ। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা ঈশিং-চাইবী-তরাগী মরমদনি লাইরিকসিদা শৈথারিবা। অদুবু, করম করম্বা 'ৱাটর-ফোল' শিংবু টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙখ্রবগে? হংবা য়াই। সোংপু কেভ, ফোইকোন হাওশাবী কেভ, খাংকুই কেভ, থারোন কেভ অমদি কৈথেলমানবী ৱাঙু, মোংজম, পঞ্জাও পুনলুমচীং, মোইরাং, মাও মরাম, পুরুল, ওইনাম, খৌপুম, নূংপিনচিংবদা লৈরিবা অরিবা (নূংগী য়ুগকী) অমদি ময়ায় ওইরপ লীরবা মতমগী শুরুংশিং - মণিপুরগী অমদি মপান লমগী টুরিষ্ট অমত্তগী পূক্লিং চিংশিনখিদ্রিবা মফমশিংনি। মণিপুরদা ফংলিবা খোঙ্গুলমেলৈ (ওর্কিদ) মখলশিং অসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা ফংবগে? খোঙহাম্পাত্তা লৈরিবা ওর্কিদরিয়ম (খোঙ্গুলমেলৈ উয়োকফম) সিবু করম্বা টুরিষ্ট চৎপগে?

লাইরিকসি পারুরগা খল্লকপনি - ঐসে কয়াদা ইনফোর্মেটিভ ওইরমখিদ্রবা! কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক অমদি উখ্রুলগী 'শিরুই লিলি' অনীগী মিংবুদি তাদবা কনা লৈরম্লরোই। অদুবু, য়াঙৌপোকপী ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, কাইলম ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, জিরি-মক্রু ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, জৈলদ-লেক ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, অঙ্গো-চীং ৱাইল্ড-লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি অমদি বন্নিং (পুইলোং) ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুয়েরি, লম্লক্কী শা-উচেকশিংগী অখন্নবা চঙজফম (লৈফম) ওইনা শেমগৎখ্রে হায়বদি ঐদি শুকখঙ খঙখিদে। ৱারেং অসি পাবীরিবা অদোম'মকসু খঙলম্লোই। করিনা? অসিগুম্বা মফম অমা/খরা শেমগৎলে হায়বসি লৈঙাকসিনা কনাদসু খঙহনখিদে, চেদা রিপোর্ট পীনবইদমক শেমখিবনা। মতম অমদা ভারতপুর বার্দ সেঙ্কচ্যুয়েরি হায়না খঙনরম্বা, হৌজিক্লা 'কেত্তলাদো নেসনল পার্ক কৌনরবা মফমসি রাজস্থানগী মরু ওইবা টুরিষ্ট-স্পোট অমা ঙসিসু ওইরি। মখল কয়াগী উচেক য়েংবা পাম্বশিংনা চৎনৈ মফম অসিদা।

কৈবুল-লমজাও নেসনল পার্ক অমদি সঙাই নীংশিংলুবদা থৌদোক অমা নীংশিংলকই, চহী মঙা-তরুক্কী মমাঙদা থোকখিবা। মহিন্দ্র হোলিদে রিজোর্ট-চেইন (ছুটিদা মতম লেনফম, হোটেলগুম্বা য়ূম) চলাইরিবা 'মহিন্দ্র এন্দ মহিন্দ্র' কম্পনিগী সিষ্টর কম্পনি অমা ওইরিবা 'ক্লব-মহিন্দ্র' গী ইকজিক্যুটিব ওফিসর ঐগী মরুপ অমা শঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্লম্মী। খরা মাঙজৌননা বুক তৌহৌবগী ক্লাসিক হোটেলগী কা অমবুদি ফংখি, কা ফংনদবা মতমদুদা। হাপ্তা কাংজৈবুংগী মেলা'দু মঙোন্দা মীৎ থূপখিদে। কৈবুল লমজাওদা চৎলগা শঙাই য়েংনীংই হায়রকখি। সেন্দ্রাদগী উবা লোক্তাক্কী ফজবদা মহাক ঙাওখি। কৈবুল নেসনল পার্ক'কী ফীভম উবদা নীংবা কায়খি। নুমিৎ নীনি হঞ্জিন হঞ্জিন চৎপদা শঙাই উবা ফংলকখিদে। মহীসুরগী জু'দা লৈহৌবা শঙাইদুদি য়েংনীংদে, শঙাইগী ময়ূম (মকোন) দুদা য়েংনীংবনি। মহাক্লা হায়রম্বনি ... 'লৈঙাক্তা হায়নরগা কৈবুল চীংশাং নাপোম, লোক্তাক পাৎকী তোর্বান্দুদা লম মচেৎ খরদং পীননবা হায়নবীয়ু, পি পি পি (পব্লিক, প্রাইভেট পার্টনরসিপ) মোদেলদা শঙাই-ভিউ-রিজোর্ট খরা ক্লব মহিন্দ্র'দা শাননবা হায়নগে, শোয়দনা মায় পাক্কনি'। মহাক্লা হনখ্রবা মতুংদনি, নোংমা মানা শীন্দুনা নীলগিরি চীংখোঙদা, মহিন্দ্রগী রিজোর্ট অমদা অহিং অমা লেকহনখিবা। লোক্তাক্তা চাংদম্লবা য়াবসু নত্তবদু থাংজ-নোংমাইজিং অমত্তা থা অহুম মরি হাঙহৌদে। পাউচেসিগী খূথাংদা মতমদুদা নোংমখক ইখিবদু নত্তনা, মরী লৈনবা মিনিষ্টর/ওফিসর/সী এমগী নাকোং য়ৌনা তাহন্নবা হায়বই পাম্বে লৈখিদে। মরমদি, ঐহাক মখোয়গা শেঙ্গাও পূনবা কাঙলূপ'তুগী মী অমত্তগা খঙনদে।

-*সোইবমচাইন্দ্রকুমার*

---

**ৱারী ককনাউ**

# কোভিদ - ১৯

"অদু য়ারোইয়ে, কৈনোনে, নুংশিববু পোষ্টপোন সুম তৌ লৈ য়াব্রো?"

"ফীভমসিদবু তৌদা য়ারিবরো?"

অদুদি কোভিদ লৈরিখৈ সুমাইনা সুম লৈ তারেনে?"

"ইহে! কাইনসি হায়বমক্তি নত্তেদনা"

"ইবুংঙো! য়ারে নঙ নশক মুন্না খঙই, নঙ য়াম্না মরৌ লৈবা মীনি। কোভিদনি হায়দনা য়েথোক্লিসি অহুল্লক শুরবা নৎত্রা? ফরে-ফরে নঙগী অপাম্বদো অদুম তৌরো, ঐ অমুক হন্না নঙোন্দা য়েৎলরোই। অদুগা অসিমদি নঙসু খঙউ, ঐসে মীঙোন্দা অদুক য়াম্না হায়জ-নোঞ্জরগা য়ূম পানগদবা নুপীদি নত্তে। য়াম লৈখ্রজাৎনি লৌগে হায়বা। ঐনদা ৱাখলসি ফাথরগা লৈবগী ৱানি। নঙ য়াম্না পোঙবগী টাইপতগা তৌজ শারিদুদি, কেসে... হায়রিসিনি। ঐনা খুকাপ্পী অনীদং তেক-তেক কাপ্পদা নুপা ময়াম অমা ইমাংদা বোম-বোম কেল্লদবা ঙাক্তনি খঙবরা?"

নুংশিরৈনা মমিৎ-ও মনা-ও মখূৎ-ও মশা-ও তৌরগা বেদেং-বেদেং ঙাঙলগা ঙসাইদগী ফল্লিবা খোংনাং মখোঙদুদগী হৌগৎকে হায়না তৌই। ঙসাইখৈ হুমাং কাংখৈ তারম্মীবা ইতুক তুকথবা মানবা থোইবদুসু ৱা মরক্তা "নুংশিরৈ, নুংশিরৈ" হায়না ফনা য়াম্না খামজরম্বনি, অদুবু সুম হেনজিল্লকপদুদদি খজিক-খজিক্তগী মাগী লোৎলুরবা মিহুন পোপচাউদু মখোল থোক্লা থোক-থোক হুল্লকই।

"নুংশিরৈ, ঙাইখো নঙনা হায়রিসিদি, নঙসি য়াম্না শঙ্ক লৈবগী টাইপনিনে"

"অদুই নত্তে"

"অদুই নৎত্রদি কৈনো, খূকাপ্পী অকাপ খুদিংগী নুপা কেল্লদি, নঙগী টাইপসিদি করি টাইপনো?"

"অদুদি নঙনা মতম য়েথোক-য়েথোক্তনা তৌরিসিদি করি টাইপনো?"

"সিদি কোভিদ-১৯ টাইপনি"

"কোভিদ-১৯গা ইবানিগী নুংশিনবগা করি মরী লৈনৈ? নঙনা ঐবু অঙাং মচাদৌনা চেনসি হায়না কৌথোক্লে, ঐসু ফি য়োমদুনা থোরক্লে। য়েংঙু ঐনা পুরক্লিবা বেগসিদা ফি অমা অনীদা ওইরসু হোরেন হোংদোক্লবা হায়দনা পুরক্লিনি। অদুগা নঙনা সুম পোষ্টপোন্দ তৌ-তৌদনা ঐবু ইকায়বা পীরিসি ঙসিগা অহুল্লক শুরবা নৎত্রা?"

"অদুদি ফীভম তাঞ্জাসিনা য়াদবৈনি"

"করি ফীভম? কোভিদ মনুংদা চেনবা য়াদে হায়বা এস ও পি থোকপরা? নৎত্রগা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী করম্বা প্রোটোকোল/গাইদলাইনদা কোভিদ মনুংদা চেনবা য়াদে হায়বা য়াওবরা?"

"অশ! নঙগী ৱাদুদি অমরোমদা চৎখ্রে"

"চত্তে, অমরোমদা পুথোক্লবা হোৎনরিদি নঙনি"

"নুংশিরৈ,"

"কৌরক্কনু নৱা লৌদে"

"অদুদনি ঐনা ঈ কারিসে"

"ও ঈ য়াম হোংবৈ ৱারা?"

"নুংশিরৈ"

"কৌরক্কনু হায়বনি" মখোয় অনীসি অঙকপা ফংনা শাউনরক্লে। তৌবগীদি থোইবনা নুংশিরৈসি চেনসি হায়না কৌথোক্লিসি ঙসিগা অহুল্লক শুবনি। মাগী ৱাখলদদি খরা চাউনা হোংবা পাম্বগীনি। হৌজিক্তি মী পূনবা য়াই য়াদে তৌবদুদা লুহোংবসি চহীনগা খরা অহল ওইশিল্লকপসিদা, ফাগি তাদুনা তোক্কদরা, খরা লৈরগা চেনবনা ফগদরা খনবৈ ৱানি। ঙসি মানা প্রোগ্রাম থাজিল্লুরিসিদি কোভিদ-১৯গী ফীভমসি খরা ফগৎলকপা য়াই হায়না মমাঙ থাদা পারগা হায়রুবনি। অদুগদি হৌজিক নোংম-নোংমগী পোজিটিভ মশীং হেনগৎলক্লে। মখোয় লৈকায়মক্তদা বর্থদে য়াওরুই হায়বা ইমুং অমা ঙরাং পোজিটিভ ওইশিল্লকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তুনা লৈরিবনি। মোই য়ূমদুদনি খল্লিম্মীবা, মদুদবু কমাইনা নুপী চেল্লগা লুহোংদৌরিনো, মীনা করি খনদুইনো সি খনবদগী মতম খরা পোষ্টপোন্দ তৌসি হায়না খন্নরুবদুদা নুংশিরৈনা ৱং হেক শাউগৎলকপদগী মাসু থক্তা ঈ কাখিবনি। হৌজিক্তি অনীমক খরা খরা ঈংথনরে। ৱাদি পাক ঙাঙনদে। ঙাইহাকসিদা, মাগী-মাগী মপাদা হৌবা নাপি খুদাপ-খুদাপ ফোইবদা মোইনা ফম্মি মপাদু নাপী অমত্তা হৌদ্রে। হৌজিক্তা লৈকায় ক্লব নহারোলনা সোসল সর্ভিস তৌরম্বদু ঙাই সিট নান্দুনা লৈরে।

"নুংশিরৈ"

শাউবা খরা হল্লসু পাক খুমদে। হায়ফেৎ য়েংলম্লগা মপি ইরা চেল্লগা মমায় অমুক লৈথখি।

"নঙ শাউনু"

"শাউবৈ ৱা নত্তে"

"ঐনা হায়দি..." থোইবগী ৱাদু লোইদ্রিঙৈদা নুংশিরৈনা থুনা খুমজিল্লকই,

"চেল্লগুমসি হায়বা নৎত্রা? য়ারে নঙ চেল্লনু ঐদি চেল্লনি হায়না থোরক্লবনিনা কাইদনো অমা চেল্লনি"

"কাইদা? কাইদা চত্তুইবা?" ইপা পাখৎনা থোইবনা হংই।

"মদু ঐ খঙদে, য়ূমদদি হল্লরোই"

"ফরক তাখ্রেদা নুংশিরৈ"

"হন্দক্কী মেদা ঐখোয় ইচে অমা ময়ূম পানখিবদু মচানুপা অমা পোকখি। মমিং 'লোকদাউন' থোনখ্রে। ঐখোয় তাময়াইগীসু মচানুপী অমা পোকপদুসু 'কো-কোরোনা' থোল্লে। কোরোনা মনুংদা অঙাং দেলিভরি তৌবা য়াদে হায়বা এস ও পি অমত্তা থোক্তে।"

"হোয়নে অদু হৌজিক কৈদৌসি হায়বনো?"

"নঙ লৈহৌরো, ৱারৌনু, ঐ চৎলগে"

"অদু কাইদনো হায়বনি?" হন্না হন্না হংলসু খুল্লক্তে, অদুই মহুত্তা নুংশিরৈদো হন্দক্তি মখোল থোক্লুপনা কপথোরকই। মায় মতৌদুদা থোইবনা নুংশিরৈগী লেংজুম পায়দুনা হংই-

"করিগীনো অদুক য়াম্না ইমোস্নেল ওইরিদো? হায়য়ু কাইদনো নঙনা চৎতৌরিদো?"

নুংশিরৈনা মমায়দু লৈখৎলকই, অদুগা মপি ঈহৌরবা মমিৎতুনা থোইবদা য়েংলগা নুংশিনা খুল্লকই।

"নোইদা?"

"হা! ঐ য়াওদনা"

"নঙ য়াওদ্রসু ঐ চঙলম্মগে, হোরেন কোন্না নঙ লাকও, ঐ চৎলগে, থেংঙে"

থোইবনা নুংশিরৈবু তপ্পা কোনবী অদুগা মরায়বক্তা অহানবা ওইনা চূপ্পীরগা, মাসু ফোং-ফোং শাবা মপি দ্রোপ অমা নুংশিরৈগী খজাইদা পুপ লাউনা তারকই। অনীমক কপমিন্নে। ঙাইহাক্কী মতুংদা অনীমক হৌগৎলগা মখূৎ শম্নদুনা মখোঙ থাংবা হৌখি। খোঙনাং মথক্তা তোংদুনা ঙসাইদগী মখোয় অনীগী ৱারী তারম্বা অমদি মতৌ য়েংলম্বা উচেক মতৈ মনাও অনীনা "চেক-চেক" লাউনা খোংলগা মসা খপমিন্নদুনা মচিন অনী চিলোক্লখি।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

---


## I AM THANKING SO MUCH



SUDHAKAR

There was tow Calculli 4 mm & 2mm in my right Kidney. After treating me for five weeks the calculli had passed away. So, I thank Laishram Sudhakar S/o L. Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal.

Sd/- **Hidam Dorendro**
Wangkhei Ningthem Pukhri Mamang

HL-P/8237/13

## নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6572/1-30/12

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL**
**HINDI TEACHERS' TRAINING COLLEGE, IMPHAL**

## ADMISSION NOTICE
## Hindi Shikshan Parangat (B.Ed)

Imphal, the 11th December, 2020

No. 101/1/17 - It is hereby notified for willing and intending Per-Service candidate for admission to the Hindi Shikshan Parangat (B.Ed.) course for the academic session 2020-2022. Application form can be had from the office during office hours from 14/12/2020 onwards. Last date of form submission is 05/01/2021, 3:00 P.M.

*Sd/- Dr. H. Ibeyaima Devi*
*Principal,*
*Govt. Hindi Teachers Training College, Imphal*

HL-P/8241/12,13

## !! JOB JOB JOB !!

Imphal amasung Manipur manungi oigadaba houjik houjik darkar oiriba tongan-tonganba post vacancy 71 gidamak (Male + Female) thabak koujari. Masagi chahi 35 gi manungda leiba thabak touba pambiba khudingmakna apply touba yagani.

Qualification : X, XII, Graduate
Monthly Income : 10,000/- to 38,000/-

**NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.**

Athappa Meeoisinggidamak leipham chaphamgi facilitysu leigani. Apply toubiningba meeoisingna contact toubiraku.

HL-P/8205/8,10&13 **Contact : 8837369704, 9774986962**

## ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

শীংজমৈ ৱাইখোম লৈকাই (ইম্ফাল ৱেষ্ট) লম্বীগা তায়নবদা পোইন্ট ৬.৫ চাওবা ইঙ্খোল পক্কা বিল্ডিং (জি প্লস ৱান) য়াওনা তঙাইফদবা অমদগী য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা ফোন নম্বর ৯৬৩২১১৫৫৪৮ অসিদা তৌবীরকউ।

HL-P/2844/13, 14

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK**

**Ref :- Mutation case no. 1034/AS & SO/VIII Kak of 2020**

1. Yumnam Sunil Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Langmeidong Maning Leikai.
2. Yumnam Shyambabu Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Langmeidong Maning Leikai. - Petitioners

-Vrs-

(Late Yumnam Ibomcha Singh S/o (L) Achouba Singh of Langmeidong. - Opp

**NOTICE**

Kakching, the 10th December, 2020

Under Section 46(3) MLR & LR Act-1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নং ১৫৫ অরিবা ৬২২ অনৌবা দাগ নং ১৩২৪ অপূনবা এরিয়া ১.৬৬ একর চাওবা ইংখোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মচানিপাশিংনা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০২০ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্থগনি।

*Sd/-* **K. Niranjan Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer VIII-Kak

HL-B/6615/13

## SMART CARD LOST

I have lost my original smart card of Bullet (Royal Enfield Classic 350) bearing Registration No - MN01AE 3127, Engine No - U355CIJC702349 and Chassis No - ME3U355C1JC655265 on the way between Singjamei and Khuman Lampak on 10th December, 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Samchetshabam Rakesh Singh**
Andro

HL-P/8245/13

## লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

***(অঙৌবা পকপা)***
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

***(তাং-তাং চিকপা)***
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

***(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)***
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

***(নুংশং)***
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

***(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)***
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

***নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু***

***(নুপাগী প্রোব্লেম)***
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

***(নুপীগী প্রোব্লেম)***
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

***(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)***
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

***(শমগী প্রোব্লেম)***
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6498/03/11-02/12

## ADMISSION OPEN
# ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6513/5,7,9

## ADMISSIONS OPEN FOR THE ACADEMIC YEAR 2020-21

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW!!!**

STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES FOR MANIPURI STUDENTS

**COURSES OFFERED**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

OFFICE TIME: 8AM TO 4PM
CONTACT US: 8310788408, 9035374340, 7005156406
SAGOLBAND MEINO LEIRAK, IMPHAL.

HL-P/8183/5/12-4/01


পাউচে অসিদা ফোঙ্ডরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।